### থাংজম বিরচন্দ্র - মাইপাকপী ২৬শুবা ৱিন্নর্স কপ লোইশিনখ্রে

# ১১ ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০(ঐচএনএস): ববিনা হেল্থ ক্যের এন্দ হোস্পিটেলিটি প্রাইভেট লিমিটেদকী স্পোন্সরশিপ মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা দবল লেগ বেসিসতা থা অসিগী ২দগী হৌদুনা চথ্নরকপা থাংজম বিরচন্দ্র-মাইপাকপী মেমোরিএল ২৬শুবা ৱিন্নর্সকপ ঙসি আর্টিফিসল টর্ফগ্রাউন্দদা লোইশিনখিবগা লোয়ননা ১১ ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ইম্ফাল ইষ্টনা ৱিন্নর অদুগা গ্রাউন্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটি (জি দি সী) বিষ্ণুপুরদা রন্নর্স অপ তাবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী টিম ১৪না শরুক য়াদুনা চথ্নরকখিবনি।

আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ১১ ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়ন অকাম্পাৎনা গ্রাউন্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটি বিষ্ণুপুরবু টাই ব্রেকতা ০-০ (৫-৩)দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীগী মায়কৈদা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা ফংনরবসু গোল ওন্থোকপা ঙম্মদবদগী অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি। মেটচ অসিদা রেফরি হেমন্ততখেল্লম্বমনা জি দি সীগী শান্নরোয় ৩-ৱাহেংবম রুস্তম, লাইশ্রম সুন্দর অমদি নিংথৌজম মহেশচান্দ অদুগা ১১ ষ্টার এস য়ুগী শান্নরোয় ২-পুখ্রম্বম বিকর অমদি গিভসন কামৈবু য়েলো কার্দ অমমম্ বুক তৌখি।

মখা তাবা টাই ব্রেকতা জি দি সীগী মায়কৈদগী শান্নরোয় ৩-ৱাহেংবম রুস্তম, নিংথৌজম আর্বিন্দ অমদি হুইদ্রোম রোমেশনা গোল ওন্থোকপা ঙমখি। অদুগা ১১ ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী জে াসুৱা কোম, খুমন্থেম তাইবংঙানবা, লানশিংঙম রিয়ামৈ, ইরুংবম অবোই অমদি নোংমাইথেম রাধাকান্তনা গোল ওন্থোক্তুনা ৫-৩দা জি দি সীবু মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

লোইশিনবগী থৌরমদা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি আর কে সনায়াইমনা অথোইবা মীথুংলেন, ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এম রতনকুমারনা থৌরম মপু অদুগা এদিসনেল এদভোকেট জেনরেল এম দেবানন্দ অমদি ববিনা হেল্থ ক্যের এন্দ হোস্পিটেলিটি প্রাইভেট লিমিটেদকী মেনেজিং দিরেক্টর ডা. টি ঐচ ধবলিনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মকোক-মথং তাখ্রবশিংদা মনা-মথুম য়েন্থোকখি।

# নুমিৎ ১০নি চথ্নরকপা মঙাশুবা নোর্থ ইষ্ট থাঙ-তা ফেষ্টিভেল লোইশিনখ্রে




ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০(ঐচএনএস): মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর ন্যু দেল্লীগী শেন্থং মখাদা হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন মণিপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ১১দগী হৌদুনা নুমিৎ ১০নি চুপ্পা চথ্নরকপা ৫শুবা নোর্থ ইষ্ট থাঙ-তা ফেষ্টিভেল ঙসি য়ুম্নাম হুইদ্রোমদা লৈবা থাঙ-তা শঙলেন্দা লোইশিনখ্রে।

ফেষ্টিভেল অসিদা ষ্টেট অসিদগী তোঙান-তোঙানবা লূপ ৯দগী লাকপা থাঙ-তাগী শান্নরোয় ৯০ অমদি অসাম, নাগালেন্দ অমদি ত্রিপুরাদগী লাকপা থাঙ-তা শান্নরোয় ৩০ পূন্না শান্নরোয় ১২০না শরুক য়াখি।

ফেষ্টিভেলগী মনুং চন্না থাঙ-তাগী লম্দা খঙ-হৈরবা ওজা কয়ানা মহৈরোয়শিংদা তাকপী-তন্বীখি অমদি মহৈরোয়শিংগী ওইনা থাঙ-তাগী তোঙান-তোঙানবা কাঙলোনশিংদা অথোই-অহেন তান্নবগী থৌরমসু পাঙথোকখি।

লোইশিনবগী থৌরমগা মরী লৈননা থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট হুইদ্রোম প্রেমকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিদা লৈরিবা থাঙ-তাগী তোঙান-তোঙানবা একাদেমি, ইন্সটিট্যুসন অমদি এসোসিএসনশিংদা মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরনা থাঙ-তা মশান্না অসিবু চাউখৎনবা য়ামখ্রবা শেন্থং ময়াম অমা হৌখিবা চহী কয়াদগী থাদদুনা লাক্লি। হৌজিকসু অচৌবা শেনফম কয়া অমসু থাদরিবনি। অদুবু ওর্গনাইজেসন অমদি একাদেমি কয়া অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরদগী অচৌবা শেন্থং ময়াম অমা লৌরগা থাঙ-তাবু চাউখৎনবা হোৎনবগী মহুৎতা নোংম-নীনিগী ওইবা প্রোগ্রাম মচা অমা-অনী শীল্লগা পাউচেশিংদা হাপ্পিবা অসি তৌবীগনু। কাঙলোন চুম্না থাঙ-তাবু চাউখৎনবা মায়কৈরোমদা চঙশিনমিন্নসি হায়খি।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা পার্থৌ থাঙ-তা পর্ফোর্মিং য়ুনিট সেন্টর কৈরাওগী শিন্তাকপা অমসু ওইরিবা ষ্টেট এৱার্দী পুথেম মঙ্গিনা অথোইবা মীথুংলেন অদুগা হুয়েল লাংলোন মণিপুর থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসন ইরিলবুংগী প্রিন্সিপাল কম দিরেক্টরসু ওইরিবা সঙ্গিট নাটক একাদেমিগী এৱার্দী কে সনাথোইবা অমদি থাঙ-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী হান্নগী সেক্রেটরি টি ঐচ প্রিয়োকুমারনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

লোইশিনবগী থৌরমগা মরী লৈননা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী লাকপা শান্নরোয়শিংনা থাঙ-তাগী শো কয়া মীয়ামদা উৎখি। ফেষ্টিভেল অসিদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয়শিংদা সর্টিফিকেটশিংসু খুৎশিন্নখি।

# এম এম এ ফাইটর কোরৌহেনবা তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০(ঐচএনএস): ষ্টেট অসিগী খ্বাইদগী চহী নৌরিবা মশাগী চহী ১১ খক্তা ঙাইরিবা মিক্স মার্সিএল আর্টস (এম এম এ) ফাইটর কোরৌহেনবা উরুংপুরেলনা হন্দক্তা থা অসিগী ১৬ অমদি ১৭তা গোৱাদা পাঙথোকখিবা আর্ট ওফ কোম্বেট (এ ও সী) নেক্স জেনরেসন ফাইটকী টাইটল লৌরক্তুনা ঙসি ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা হেক থুংলবগা ইমুং-মনুংগী মীওইশিং, আর এম এক্স জিমগী মেনেজর অমদি বোক্সিং কোচ লোয়ননা শান্নরোয়শিংনা তরাম্না ওকখ্রে।

কোরৌহেনবনা থা অসিগী ১৭ থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখিবা সুপর ফাইট হায়না মিংথোনবা রিমেটচ বাউটতা লেখরাজ এস বগদেৱারবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

পনবা য়াবদি, ফাইটর অনী অসিনা চহী অসিগী জুলাই থাদা থেংনখিবা বাউটতসু কোরৌহেনবনা লেখরাজ পু মায়থীবা পীরমখিবনি।

সুপর ফাইটকী মাংওইননা রসিয়াগী চহী ১২ শুরবা ফাইটর ইগনেটি সভচেনকোভকা লম্বা তৌনগনি তৌরম্বা অদু ৱেথ ওল্লবা মতুং রসিয়াগী ফাইটর মশা ঙন্নক্তবদগী ফাইট অদু শান্নখিদ্রে।

ঙসি ইম্ফালগী ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা হেক থুংলবগা আর এম এক্সকী কোচ রোশন মৈনমনা ফোঙদোকখিবদা, কোরৌহেনবনা সুপর ফাইটতা মুম্বাই মচা লেখরাজ এস বগদেৱারবু য়াম্না থুনা লোইশিন দুনা আর্ট ওফ কোম্বেট-৯গী ট্রোফি লৌবা ঙম্লকখিবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা কোচ অমা ওইনা লাক্কদৌরিবা ফাইটশিংগীদমক মখা তাবা ট্রেনিং চথ্নরগনি হায়খি।

কোরৌহেনবা সগোলবন্দ তেরা অমুদোন অখাম লৈকাইদা লৈবা আর কে নেপোলিয়ন অমদি বেবিচাগী মচানুপানি।

নীংশিংবা য়াবদি, কোরৌহেনবনা গোৱাগী খোঙচৎকী মাংওইননা থা অসিগী ১২দা মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংদা লমদম অসিদা শাজবা খূদৈ অমমম্ খূদোল তমদুনা য়াইফ থৌজাল নীবগী থৌরম অমা পাঙথোকখিবনি।

### হিরো আই লীগ : ট্রাও চর্চিল ব্রদর্সকী মখূৎতা মায়থীখ্রে

### নেরোকা অমদি শ্রিনিধি দেকান ঙসি খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০(ঐচএনএস): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)না শীন্দুনা চথ্নরিবা হিরো আই লীগকী ঙসি গোৱাগী টিলক মাইদানদা শান্নখিবা মেটচ অমদা হোম টিম ওইরিবা চর্চিল ব্রদর্স এফ সীনা টিদ্দিম রোদ এথলেটিক্স য়ুনিয়ন (ট্রাও) এফ সীবু লাকচনা ৬-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

মায় পাকখিবা চর্চিল ব্রদর্সনা পূন্না মেটচ ৯ শান্নখিবদা ৩ মায় পাল্লগা ৩ দ্রো ওইদুনা ৩ মায়থীরগা পোইন্ট ১২ ফংলগা টেবলগী ৭শুবা মফমদা লৈরি। অদুগা ট্রাওনা মেটচ ৯ শান্নখিবদা ৪ মায় পাল্লগা ১ দ্রো ওইদুনা ৪ মায়থীরগা পোইন্ট ১৩ ফংলগা ৬শুবা মফমদা লৈরি।

চর্চিল ব্রদর্সকী সিনেগলগী ষ্ট্রাইকর অব্দুলে সেননা শান্নবা হৌরকপগী ৪শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। সগোলশেম বিকাশনা শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা ইক্কেলাইজ গোল চনশিন্দুনা স্কোর ১-১দা লৈহনখি।

অব্দুলে সেননা শান্নবগী ৩৪শুবা মিনটতা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা পেদ্রো টনাওসু দোমিনগেজনা শান্নবগী ৩৫ শুবা মিনটতা চর্চিল ব্রদর্সকী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি। অহানবা হাফ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী ৩শুবা মিনটতা অনিলরামা গোনকরনা চর্চিল ব্রদর্সকী গোল অমগা হাপচিন্দুনা ট্রাওবু ৪-১দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী নোর্মেল টাইমগী মতম লোইরমদাই ট্রাওগী নরেশ য়েন্দ্রেম্বমনা শান্নবগী ৮৯শুবা মিনটতা আউন গোল অমা চনশিন্দুনা চর্চিল ব্রদর্সকী ৫শুবা গোল ওইবা ঙমখি। মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা বায়ি কামো ষ্টেফেননা গোল ১গা হাপচিন্দুনা চর্চিল ব্রদর্সনা ট্রাওবু ৬-১দা মায়থীবা পীখিবনি।

অমরোমদা, লীগ অসিগী মখা চথ্নরকপা ওইনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা নেরোকাগী হোম মেটচ অমদা শ্রিনিধি দেকান এফ সীগা নুংথিল পুং ৪দা খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা লম্বা তৌনরগনি।

মেটচকী মাংওইননা ঙসি খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা অমদা নেরোকাগী হেদ কোচ খোগেননা ফোঙদোকখিবদা, হয়েংগী মেটচ অসি অরুবা মেটচ অমা ওইগনি। অদুবু হোমগী খূদোংচাবা লৌদুনা পোইন্ট ৩ ফংবা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়খি।

পাউ মীশিংগা উনবা অদুদা নেরোকাগী প্লেয়র দেভিদ শিম্বো অদুগা এৱে টিম ওইরিবা শ্রিনিধি দেকানগী কোচ কার্লোস ভাস পিন্টু অমদি শান্নরোয় লালরোমাৱিয়াসু শরুক য়াখি।

পনবা য়াবদি, নেরোকা এফ সীনা মেটচ ৮ শান্নখিবদা ২ মায় পাল্লগা ১ দ্রো ওইদুনা ৫ মায়থীরগা পোইন্ট ৭ ফংদুনা ১০শুবা মফমদা লৈরি। অদুগা শ্রিনিধি দেকাননা মেটচ ৮ শান্নখিবদা ৫ মায় পাল্লগা ১ দ্রো ওইদুনা ২ মায়থীরগা পোইন্ট ১৬ ফংলগা অনীশুবা মফমদা লৈরি।

### মণিপুর ষ্টেট লীগ :

## ক্লাসা এফ সী অমদি রাও ঙসি ফাইনেলদা থেংনরগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা চথ্নরকপা খুমুকচম ইঙোচা মেমোরিএল ১৫শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২২-২৩গী ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ২১, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুংথিল পুং ১.৩০দা খুমন লম্পাক আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা ক্লাসা এফ সী কৈনৌ অমদি রাইজিং এথলেটিক্স য়ুনিয়ন (রাও) লাইরিকয়েংবম লৈকাই অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

লোইশিনবগী থৌরমদা মিনিষ্টর হৈখাম দিঙ্গোনা অথোইবা মীথুংলেন, অম্ফাগী প্রসিদেন্ট এম রতনকুমারনা থৌরম মপু অদুগা নাওরিয়া পাখংলাকপগী এম এল এ, এস কেবী অমদি থাংমৈবন্দগী এম এল এ খুমুকচম জয়কিষন অনীনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারগনি। টুর্নামেন্ট অসি খুমুকচম জয়কিষননা স্পোন্সর তৌদুনা পাঙথোকপনি।

## ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ঙসি হৌরগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০(ঐচএনএস): ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসন (অম্পা)না শীন্দুনা ১৮শুবা ষ্টেট লেভেল ৱিমেন্স অমদি ৬শুবা জুনিয়র বোইজ ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২২ দিসেম্বর ২১ য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুংথিল পুং ১.৩০দা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা সোসল ৱেলফ্যের মিনিষ্টর হৈখাম দিঙ্গোনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা হৌদোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা মেটচতা জুনিয়র নুপামচাগী কে এম এম রাইদিং স্কুল শীংজমৈ অমদি অর্বিন্দ পোলো ক্লব অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা জুনিয়র বোইজকী ওইনা টিম মরি- কে এম এম রাইদিং স্কুল, অর্বিন্দ পোলো ক্লব, থৌবাল পোলো ক্লব অমদি পেরেদাইজ পোলো ক্লবনা শরুক য়ারি।

ৱিমেন্স পোলোগী ওইনা টিম মরি- চিঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লব, লিম্থোইঙানবী পোলো ক্লব, লমন পোলো ক্লব অমদি কে এম এম রাইদিং স্কুলনা শরুক য়ারি।

হৌদোকপগী থৌরমদা ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ডা. কোন্সম শরতচন্দ্রনা থৌরম মপু অদুগা ময়াং ইম্ফাল এ সীগী এম এল এ কোংখাম রোবিন্দ্রোনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াগনি।

ৱিমেন্স পোলোগী অহানবা মেটচ থা অসিগী ২২গী নুংথিল পুং ১দা চিঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লব অমদি লিম্থোইঙানবী পোলো ক্লব অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচ অনীমক থা অসিগী ২৮দা মপাল কাংজেবুংদা শান্নরগনি।

### ইন্টর ক্লব ফুটসাল টুর্নামেন্ট

## গোংশিনরৈগী গোলনা নেরাও এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০(ঐচএনএস): গোংশিনরৈনা চনখিবা গোল ৪ অদুগা ৱুংনিং অমদি রিংশাংমিনা শান্নবগী ২১ অমদি ২৬ শুবা মিনটতা চনখিবা গোল অমমম্গী মতেংনা নেরাও এফ সীনা এস এস সী পোরোম্পাৎপু ৬-৫দা চথ্নরিবা অনীশুবা কোলোনেল ক্ষেত্রিময়ুম অরুনকুমার মেমোরিএল ইন্টর ক্লব ফুটসাল টুর্নামেন্ট ঙসি ক্বাকৈথেল ময়াইকোইবীদা লৈবা প্লে ৭ ফুটবোল টর্ফতা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

গোংশিনরৈগী অহানবা গোল অদুনা শান্নবগী ১৬ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মহাক্কী অনীশুবা অমদি হেটট্রিক গোল অদুনা শান্নবগী ২২ অমদি ২৫ শুবা মিনটতা চনখি। মহাক্কী মরিশুবা অমদি মায় পাকপগী ৬শুবা গোল অদুনা শান্নবগী ৩৩শুবা মিনটতা চনখিবনি।

এস এস সীগী গোলশিং অদুনা হিটলরনা শান্নবগী ৬, ১৭ অমদি ২০ শুবা মিনটতা গোল ৩ অদুগা ভাস্করনা শান্নবগী ৩ অমদি ৩৭ শুবা মিনটতা গোল ২ চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা রাও লাইরিকয়েংবম লৈকাই অমদি ইম্ফাল ফুটবোল ক্লব (আই এফ সী) ৪-৪দা দ্রো ওইখ্রে।

রাওগী গোলশিং অদুনা রোনাল্ড পাওনা শান্নবগী ৩৮ অমদি ৩৯ শুবা মিনটতা গোল ২ অদুগা য়াইখোম্বা অমদি নাওচানা শান্নবা হৌরকপগী ২শুবা অমদি ১৬শুবা মিনটতা গোল অমমম্ চনবা ঙমখি।

আই এফ সীগী গোলশিং অদুনা টি ঐচ থোইতকনা শান্নবগী ৩২ অমদি ৩৫ শুবা মিনটতা গোল ২ অদুগা হিকসিন মুইলুং অমদি গাখুঁই শিরোনা শান্নবগী ২৭ অমদি ৪০ শুবা মিনটতা অমমম্ চনবা ঙমখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমি (সী এফ এ)না ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (ঈ এস য়ু) ৱাঙ্খৈবু লাকচনা ৭-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

হাওবম তোম্বনা শান্নবা হৌরকপগী ২শুবা মিনটতা ক্লাসিক একাদেমিগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ৩২, ৩৯ অমদি ৪০ শুবা মিনটতা গোল ৩ অমগা হাপচিনবা ঙমখি।

গাননিঙম মলাংমৈনা শান্নবগী ৩শুবা মিনটতা ক্লাসিককী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ৩৭ শুবা মিনটতা গোল ১গা হাপচিনবা ঙমখি। রোহেন এননা শান্নবগী ৩৪ শুবা মিনটতা ক্লাসিক একাদেমিগী মায় পাকপগী ৪শুবা গোল চনখি।

ঈ এস য়ুগী গোল ২ অদুনা সনসম রাহুল অমদি এম দি অজমান বিননা শান্নবগী ৩ অমদি ২৫ শুবা মিনটতা অমমম্ চনবা ঙমখি।

### এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট

## শেদোনা কে আই ৱাই সী ৱিকেট ১দা থোইখ্রে




ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০(ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চথ্নরিবা ৭শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২২-২৩ ঙসি মোদেল হায়র সেকেন্দরি অমদি ওরিয়েন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা শেদো থাংমৈবন্দনা কে আই ৱাই সী ক্ষেত্রিগাওবু ৱিকেট ১দা মায়থীবা পীখ্রে।

ক্ষেত্রিগাও টিমনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ২১দা ওল আউট ওইদুনা রন ৯৩ লৌবা ঙমখি।

মুজিবুর রাহমননা বোল ৩৭তা রন ১৮ লৌদুনা টিমগী খ্বাইদগী য়াম্না রন লৌবা ঙম্বা শান্নরোয় ওইখি। মোহমদ অব্দুলা খাননা বোল ২১দা রন ১৪, এম দি কাওসরনা বোল ১৭তা রন ১২ অদুগা কেপ্টেন এম দি ফর্হাদনা বোল ১৫দা রন ৭ লৌবা ঙমখি।

অহানবা ইন্নিংসকী থাংমৈবন্দগী বোলিং তৌবদা গুইটে খুৱালমিনলিয়ননা ওভর ৫ লংবদা রন ২৯ পীদুনা ৱিকেট ৪ লৌবা ঙমখি। রাহুল কুমারনা ওভর ৫ লংবদা ৱিকেট ৩ অদুগা সাগৎপম লনচেনবনা ওভর ৫ লংবদা মেদান ওভর ১ য়াওনা রন ১২ পীদুনা ৱিকেট ২ লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউ খুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা শেদো থাংমৈবন্দনা ওভর ২৯.১দা ৱিকেট ৯ তুরগা অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা ক্ষেত্রিগাও টিমবু ৱিকেট ১দা মায়থীবা পীখি।

থাংমৈবন্দগী বেটসমেন সাগৎপম লনচেনবনা আউট ওইদনা বোল ৭৭তা রন ৪০, য়োইহেনবা থৌদামনা বোল ২৪দা রন ১০ অমদি গুইটে খুৱালমিনলিয়ননা বোল ১৬তা রন ৪ লৌবা ঙমখি। ইন্নিংস অদুদা ক্ষেত্রিগাওগী বোলর এম দি অমন অমদি মোহমদ অব্দুলা খাননা ৱিকেট ৩/৩ লৌবা ঙমখি।

লোইশিল্লকপদা থাংমৈবন্দগী ওল রাউন্দর সাগৎপম লনচেনবনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

### এম এন সী এ ৱিমেন্স ৱান দে ট্রোফি

## থাওনা মোদেল ক্লব ৱিকেট ১০দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০(ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চথ্নরিবা ২শুবা এম এন সী এ ৱিমেন ৱান দে ট্রোফিগী ঙসি লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা থাংমৈবন্দ এথলেটিক্স য়ুনিয়ন (থাও) থাংমৈবন্দনা মোদেল ক্লব শীংজমৈ চীংঙামখাবু ৱিকেট ১০দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা শীংজমৈ টিমনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ১১.৩দা ওল আউট ওইদুনা শুপ্পগী রন ২৩ খক্তা লৌবা ঙমখি।

অহানবা ইন্নিংসকী বেটিংদা বন্তি সংলাকপমনা বোল ১১দা রন ১০, কে মিলা চনুনা বোল ৯দা রন ৩, কোলোম বিদ্যালক্সমীনা বোল ৮দা রন ২ লৌবা ঙমখি।

অহানবা ইন্নিংসকী বোলিংদা থাংমৈবন্দগী বোলর মেরি কৈথেল্লাকপমনা ওভর ২ লংবদা ৱিকেট ৩ অদুগা ৱাইখোম গঙ্গানা ওভর ৩ লংবদা ৱিকেট ৩, আইশ্বরিকা চনু মোইরাংথেমনা ওভর ১ লংবদা ৱিকেট ২, কিরনবালা চনু হাওরুংবমনা ওভর ৪.৩ অমদি বন্তি খোইবমনা ওভর ১ লংবদা ৱিকেট অমমম্ লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউ খুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা থাংমৈবন্দগী ওপনর অনীনা ওভর ৩.১দা অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা মোদেল ক্লব চীংঙামখাবু ৱিকেট ১০দা মায়থীবা পীখি।

ওপনর সেটর্মি ব্রহ্মচারিময়ুমনা আউট ওইদনা বোল ৬তা রন ১ অদুগা ৱাইখোম গঙ্গানা আউট ওইদনা বোল ১৩দা রন ১৯ লৌবা ঙমখিবনি।

ইন্নিংস অদুদা মোদেল ক্লবকী বোলর কোলোম বিদ্যালক্সমীনা ওভর ২ লংবদা রন ২২ অদুগা কে মিলা চনুনা ওভর ১.১ লংবদা রন ৫ পীখিবনি।

লোইশিল্লকপদা থাংমৈবন্দ টিমগী ৱাইখোম গঙ্গানা অহানবা ইন্নিংসকী বোলিংদা ওভর ৩ লংবদা ৱিকেট ৩ লৌদুনা অমদি অনীশুবা ইন্নিংসকী বেটিংদা আউট ওইদনা বোল ১৩দা রন ১৯ লৌদুনা ৱিমেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।


টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথ্নরকপা ওইনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পি টি সী সী পাৎসোই অমদি এ কে এস দি ও খাঙবোক লম্বা তৌনরগনি।

## মেনেজর্স মীটিং দিসেম্বর ২৬, ২৭তা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা নুপা অমদি নুপীগী অন্দর-১৪ ইন্টর ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মেনেজর্স মীটিং থা অসিগী ২৬ অমদি ২৭কী নুংথিল পুং ২দা পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি এল নবনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা নুপীগী ওইনা মেনেজর্স মীটিং দিসেম্বর ২৬তা অদুগা নুপাগী ওইনা দিসেম্বর ২৭তা পাঙথোক্কনি হায়রি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 665

**IM Nikolay Bodnar (2438) - FM Khazar Babazada (2427)**
**Titled Tuesday 4th Jan chess.com INT (8), 2022.01.04**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 Nf6 | 2.e5 Nd5 | 3.d4 d6 | 4.c4 Nb6 |
| 5.exd6 cxd6 | 6.Nc3 g6 | 7.Be3 Bg7 | 8.Rc1 O-O |
| 9.b3 Bf5 | 10.g4 Bd7 | 11.Bg2 Nc6 | 12.d5 Ne5 |
| 13.h3 e6 | 14.dxe6 Bxe6 | 15.Nge2 f5 | 16.f4 Nc6 |
| 17.g5 Re8 | 18.Kf2 Qe7 | 19.Qd2 Kh8 | 20.h4 Bxc4 |
| 21.h5 Bxe2 | 22.Nxe2 Kg8 | 23.hxg6 hxg6 | 24.Rh3 d5 |
| 25.Bxb6 axb6 | 26.Bxd5+ Kf8 | 27.Rch1 Rad8 | 28. ... |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 664 Ans. :**

22. Qxe5 The white queen deflects Black's rook away from protecting the square d8. The white queen captures Black's rook, which was defending the square e7 and Black's rook. Opening the line from d8 to g8. Rxe5 23. Ne7+ The white knight clears the way for White's rook to the square d8.
Your moves:23.Nxb6
Your moves:23.Rc8+
Rxe7 24. Rd8+ Re8 25. Rxe8# Back-rank mate
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com